# হিয়াই (বি) লুৱাংশংবমনা পাখংবা এফ এ ৱাঙ্গোইবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএনএস):
মমাং চহীগী দিসেম্বর ২৮দগী হৌরগা মার্জিং স্পোর্টিং ক্লব হৈঙাং অৱাং লৈকাইনা শীন্দুনা লৈকাই অসিদা লৈবা এম এস সী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ৯ এ-সাইদ, ৱেথ-৩৫ কেজি দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অরোইবা মেটচতা হিয়াই (বি) লুৱাংশংবমনা পাখংবা এফ এ ৱাঙ্গোইবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে। থর্দ প্লেসকী ওইনা শান্নখিবা মেটচতনা হিয়াই (এ)না সুফা সেকমাইবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপা মতমদা এম এস সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচকী অহানবা হাফতা হিয়াই (বি) অমদি পাখংবা এফ এ টিম অনীগী মরক্তা চাং মান্ননা শান্নবা মীয়াম্না উখি। শান্নবা হৌগৎলকপগী ১২শুবা মিনটতা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ১১ রাহুলনা পাখংবা এফ এগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা হিয়াই (বি)না মাংজিল থাদুনা চৎখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা পাখংবা এফ এনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচকী ১৮শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৯ রোশননা হিয়াই (বি)গী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা চাং মান্ননা লৈখি। অহানবা হাফ ফাওবদা নাকল অনীমক্না মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌগৎলকপা মতুংদদি হিয়াই (বি)গী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়বগা লোয়ননা পাখংবা এফ এগী মায়কৈদা অকনবা মওংদা কাউন্টর এটেকশিং চথুবা হৌরকখি। বোল য়াম্না পায়বগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ১০ বিকিনা টিম অদুগী ওইবা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। পাখংবা এফ এনা হিয়াই (বি)গী অনীশুবা পাঞ্জল অদুবু অকনবা মওংদা হন্দোক্নবা হোৎনখি। অদুবু পাখংবা এফ এ টিমগী অহোবা তাঞ্জা য়েংলগা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ৮ মুকটারনা মেটচ অদুগী ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা অমুক চনশিন্দুনা ৩-১দা মাং থারগা চৎখি। অনীশুবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা পাখংবা এফ এনা শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী মতম লোইরবা মতুং রেফরিনা এদিসনেল টাইম ওইনা মিনট ৩ হাপ্পুনা মখা তানা শান্নখি। মদুদসু হিয়াই (বি)গী টিমনা বোল হেন্না পায়খিবনা মরম ওইরগা পাখংবা এফ এনা শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্নবা হোৎনখিবা অদু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর হিয়াই (বি)না ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ৫ দেনিশনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটলনা টিম অসিমক্কী জর্সি নম্বর ১০ বিকিনা লৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা প্লেয়রনা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ৫ দেনিশনা ওইখি। অদুগা ঙসি ফাইনেল মেটচকী ইহান হানবা গোল স্কোররগী মনানা হিয়াই (বি)গী জর্সি নম্বর ১১ রাহুলনা লৌখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী চীফ ইঞ্জিনীয়র হিরোম ব্রজেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন, হৈঙাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কোঞ্জেংবম জয়ন্তনা থৌরম মপূ অমদি দি এম য়ুনিভর্সিটি মণিপুরগী এসোসিএট প্রোফেসর নাওরোইবম প্রমোদনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

# কেরলা ব্লাষ্টর্সনা হায়দরবাদ এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে, এফ সী গোৱা মায় পাকখ্রে






ভাস্কোদাগামা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
গোৱাগী ভাস্কো দা গামাদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ দগী হৌরগা কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং হায়দরবাদ এফ সী অনীগী মরক্তা শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা হায়দরবাদ এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা ঙরাং অথেংবদা এফ সী গোৱা অমসুং চেন্নাইন এফ সী অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা এফ সী গোৱানা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখ্রে।

কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং হায়দরবাদ এফ সীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফ ফাওবদা নাকল অনীমক্না য়াম্না চাং মান্নবা মওংদা শান্নখি। হায়দরবাদ এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা য়াম্না লায়না দিফেন্দ তৌরকপদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়োক্তা ফজবা শোট অমা ফংখি। শোট অদু অসিশ রাইনা কাওখি। অদুবু গোলকিপরনা ইরায় লায়না মহাক্কী শোট অদুবু ঙাকথোকখি। মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী হায়দরবাদ এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিনবা য়াবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। কেরলা ব্লাষ্টর্সকী সাহলনা দিবোক্স তম্না বোল পুশিল্লকখি। মহাক্না বোল অদু মহাক্কী টিমমেট পেরেরাদা পাস তৌনবা হোৎনখি অদুবু হায়দরবাদ এফ সীগী কাটিমনিনা বোল অদুবু লমখাংদা থৎতুনা সেভ তৌখি। টিম অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাফ থারমদাই ৪২শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী সাহলনা পীরকপা ফজরবা পাস অমবু ভাজক্কিজনা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা হাফ মমাং ফাওবদা ১-০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৭শুবা মিনটতা ভাজক্কিজনা মখা তানা পাঞ্জল চনশিল্লগে হায়বগী মতাগুম দিবোক্সকী ৱাংমদগী য়াম্না ফজবা শোট অমা কাওরকখি। অদুবু মহাক্না কাওরকখিবা বোল অদু গোল পোষ্টকী মথক লান্না পাইখিবদগী পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিদে। শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীনা য়াম্না কন্না তকখৎলক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনরকখি। কেরলা ব্লাষ্টর্সকী দিবোক্সময়া নক্না ৱাংনা পাইরকখিবা বোল অমা হায়দরবাদ এফ সীগী ওকবেচেনা হেদ্দিং তৌদুনা গোল ওস্থোক্নবা হোৎনখিব অদুবু মহাক্কী টার্গেট অদু শোয়খিবদগী আউট তাখি। মদুনা মরম ওইরগা হায়দরবাদ এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মখূৎতা মায়থীখি।

অমরোমদা, ঙরাং অথেংবদা গোৱাগী বম্বোলিমদা এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ সী গোৱানা চেন্নাইনবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। মেটচকী হৌগৎলকপদগী লোইরমদাই ফাওবা টিম অনীগী মরক্তা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী ৮২শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী জোর্জ ওর্টিজনা মতোমমতা পুশিল্লকখিবা বোল অমা য়াম্না লায়না পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা চেন্নাইনবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

# য়ু পিদা পাঙথোকখিবা টাইক্বোন্দো চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
য়ু পিগী চান্দাওলিদা টাইক্বোন্দো এসোসিএসন ওফ চান্দাওলিনা শীন্দুনা মমাং চহীগী নভেম্বর ২৭তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকখিবা অহানবা ইন্দো নেপাল ইন্টরনেসনল টাইক্বোন্দো চেম্পিয়নশিপতা মায় পাক্না শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং তোপ দুসারা হায় স্কুলগী লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে।



তরাম্না ওকপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইমা নোংমাই লাইরেম্বী টাইক্বোন্দো ট্রেনিং স্কুল অমদি পেরেন্টস এসোসিএসনগী সেক্রেটরি লাইখুরাম জয়ন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকখিবদা, চান্দাওলিদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইমা নোংমাই লাইরেম্বী টাইক্বোন্দো ট্রেনিং স্কুল তোপ মোইরাংকম্পুগী শান্নরোয় ৭ শরুক য়ারুখি। শরুক য়ারুখিবা শান্নরোয় ৭মক্কী হোৎনজমলনা মখোয় তরেৎমক চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল অমমম্ ফংলকখি। মখোয় খূদিংমক্না মেদল ফংলকখিবা অদুবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা তোপ দুসারা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ময়াংলম্বম সুরবালা, তোপ দুসারা গ্রাম পঞ্চায়ট ৱার্দ নম্বর ৱান মেম্বর লাইশ্রম জিবনলাতা, য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী রিটায়র্দ জোইন্ট দিরেক্টর দল্লিয়ু সুশিলকুমার, তোপ দুসারা হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস এল দেবলা, শান্নরোয় ৭কী টিম অদুবু লুচিংখিবা অমদি কোচ ওইরিবা এল নাওবোই অমসুং ইমা নোমাই লাইরেম্বী টাইক্বোন্দো ট্রেনিং স্কুলগী কোচ টি ঐচ ইমোম চনুনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা ৱাইদি সী ক্লবকী ট্রেজরর য়ু টিকেননা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপীরিবা অসি য়াম্নমক অফবা খোঙথাংনি। মখোয়নৎতবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা হেন্না থৱায় য়াওশিল্লক্কবা খূদিংমক্না হোৎনমিন্নগদবনি। চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিং য়োকখৎপা হায়বসি লমদম অসিগী মীপূম খূদিংমক্কী থৌদাংনি। অফবা শান্নরোয় মশীং হেনগৎলক্লিবমখে ময়াই কাবা চীঙাক শীজিন্নবগী চাংসু হন্থরক্কনি হায়খি।

ঙরাং ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি লিস্থোইঙাম্বী লাইখুরাম (ব্রোঞ্জ), টি ঐচ তোম্বীসনা (সিলভর), এন তোমথিনঙানবা (সিলভর), এন উমাকান্ত (সিলভর), এন অলবর্ট (গোল্ড), এন সোমা (গোল্ড) অমসুং এন টিনিসন (গোল্ড)নি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# এস য়ু, এম পি এস সী অমসুং কে আই ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা ১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস য়ু, এম পি এস সী অমসুং কে আই ৱাই সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

লীগ অসিগী ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১০ তারকপা মতমদা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা নেরোকা এফ সী অমদি এস য়ু লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনবা হৌখ্রবা মতুং মেটচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৪ সী সৈলেনলালনা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা ১-০দা মাং থাদুনা চৎখি। নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী হাফ মমাং ফাওবদা এস য়ুনা চনশিনখিবা পাঞ্জল ১ অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী হৌগৎলকপদা নেরোকা এফ সীনা অকনবা কাউন্টর এটেক চত্থদুনা মেটচ অদুগী ৫৫শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ১০ মাংলেনথাংনা এস য়ুগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা ১-১দা মান্ননা চৎখি। টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেটচ অদুগী ৭৫শুবা মিনটতা এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ পাওখোঙামনা ফজরবা পাঞ্জল অমা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদা চনশিন্দুনা ২-১দা অমুক মাংজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু মেটচকী অরোইবা মতম ফাওবদা নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী এস য়ুগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

লীগ অসিগী মখা তারকপা ওইনা নুংথিলগী পুং ১২.১৫ তারকপা মতমদা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা কে আই ৱাই সী অমসুং ট্রাও এফ সী অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌগৎলকপগা য়াম্না থুনা কে আই ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৮ মুস্কাননা মেটচ অদুগী ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনশিন্দুনা মাংজিল থাখি। মেটচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ট্রাওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থীখি।

নুংথিল পুং ২.৪৫দগী হৌরগা লম্লোং থোংখোঙগী গ্রাউন্দ অসিদা মখা তানা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৫২শুবা মেটচতা এম পি এস সী অমসুং নিশাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা এম পি এস সীনা নিশাবু ৪-৩দা মায়থীবা পীখি।

# শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৮দগী ২১ ফাওবা জম্মুদা লৈবা ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জম্মু এন্দ কাশ্মীর থাঙ-তা এসোসিএসননা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ২৭শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা অমদি মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা টিম অদুবু লমজিং-লমতাক্তুনা পুখিবা ওফিসলশিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা এসোসিএসন অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী সেক্রেটরি থৌনাওজম প্রিয়োকুমার, হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার অমদি এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চা বাবুনা মথংশিংনা অথোইবা লেংবীরকপা, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙ-তা অসি মালেমগী শান্নবুংদা য়াওদুনা শান্নরোয়শিংগী মতিং ফূদোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মপূং ফানা শকখঙবীবা মথৌ তারি। মিনিষ্ট্রিনা মশান্না মখল অসিবু রিকগ্নাইজ তৌহন্নবগীদমক এসোসিএসননা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। এসোসিএসননা অকনবা মওংদা হোৎনরবসু মণিপুর লৈঙাক্না মতেং পাংদ্রবদি মায় পাকপদা ৱানা থোক্কনি। মরম অদুনা লৈঙাক্নসু হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু মরী লৈনবশিংদা মাংজৌননা হীরম অসিগী মতাংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওস্থোরক্ত্রি। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা থাঙ-তা য়াওহল্লকখ্রবনিনা ইন্দিয়াগী শান্নবুংগী লিষ্টতা থাঙ-তা শুংশোয় শোয়দনা য়াওরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাঙ-তাবু রিকগ্নাইজ তৌরবদি মখা তানা ওলিম্পিক্সকী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি হায়খি।

# এস ৱাই য়ু সী অমসুং আইদিএল ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা হোক্কী প্লেয়র দিভলপমেন্ট টিমনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা ঙসিদগী হৌরগা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল অন্দর ১৭ মেন অমসুং অন্দর ২০ ৱিমেন হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২২গী হৌদোকপা নুমীৎতা এস ৱাই য়ু সী অমসুং আইদিএল ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০দগী হৌরগা নুপাগী টিমগী ওইনা এস ৱাই য়ু সী উচেক্কোন অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা এস ৱাই য়ু সীনা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৩ চনশিন্দুনা মাংজিল থারগা চৎখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা এস ৱাই য়ু সীনা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। অদুগা ৱাই সী সী আই সীনা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেটচকী অরোইবা ফাওবদা এস ৱাই য়ু সীনা পাঞ্জল ৮ চন্দুনা ৱাই সী সী আই সীবু ৮-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০দা নুপী টিমগী ওইনা খুমন লম্পাক্তা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং আইদিএল ক্লব তেরা বজার অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচতা আইদিএল ক্লব তেরা বজারনা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাংজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা অমুক হন্না আইদিএল ক্লবনা পাঞ্জল ১গা চনবা ঙমদুনা ২-০দা মাংজিল থাখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৱাই সী সী আই সীনা কন্না হোৎনদুনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা ঙমখিবদগী ২-১দা লৈখি। মেটচ অদুগী মরিশুবা ক্বার্টরদা আইদিএল ক্লব অমসুং ৱাই সী সী আই সী টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা লৈখিবদগী আইদিএল ক্লবনা ৱাই সী সী আই সীবু ৩-২দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# মনিথোইবা এফ সী তেকচম মায় পাকখ্রে



ককচীং, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ) ইরেংবন্দনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবন্দ হায় স্কুলগী শান্নবুংদা ৫শুবা কেশ প্রাইজ ৯ এ-সাইদ ষ্টেট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিথোইবা এফ সী তেকচম মায় পাকখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মনিথোইবা এফ সী তেকচম অমদি এস কে এফ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মনিথোইবা এফ সী তেকচমনা মহাক্কী লম্বা এস কে এফ সীবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখিবনি। মায় পাক্লবা মনিথোইবা এফ সী তেকচমগী পাঞ্জল ৫ অদু মেটচ অদুগী ১৮শুবা মিনটতা লোয়া, ২২শুবা মিনটতা পি ঐচ সুনামণি, ২৪শুবা মিনটতা অমর্জিৎ, ২৯শুবা মিনটতা বোনিসন অমসুং ৫৬শুবা মিনটতা জোন্সননা চনখিবনি।

মেটচ অদুদা এস কে এফ সীগী য়াইমবু ৪৪শুবা মিনটতা অমদি মনিথোইবা এফ সী তেকচমগী বোরিশপু ৪৬শুবা মিনটতা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক রেফরিনা য়েলো কার্দশিং বূক তৌখি।

HL-P/1038/24/12-10/01

অক্ৱৈমার্ৎ (Meetei Mayek)
Akoimart
(WHOLESALE & RETAIL)
Live Easy
SALE POINT
MANIPURI RICE
CHENGKUP
POULTRY FEEDS
GROCERIES
POROMPAT CROSSING, IMPHAL EAST, 795005

AKOIMART SALE POINT

Akoimart না মিয়ামগী খুদোংচানবগীদমক Sale Point অমা Imphal East কী Porompat Junction দা হাংদোকচরে, লোয়ননা মখাগী পোৎলমশিং অসি মরাং কায়না ফংবিগনি।

- মৈতৈ চেং (Ready to cook) {Packed in bags of 5 Kg, 10Kg, 25Kg & 50Kg}
- চেংকুপ, চগেম, চামাং নচিংব
- য়েন, ঙানু অমদি শা, ঙাগী মচিঞ্জাক
- GROCERY :- Packed তৌরব হৱাই চেংৱাই, অলু, তিলহৌ, চনম, চিনি-নচিংব মখলসিং Wholesale অমদি Retail অনিমক্কি ফংবিগনি।

Note : Delivery তৌবগী খুদোংচাবস্থু ফংবিগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক পীজরিব Contact No.শিং অসিদ Phone তৌবীরকপ য়াগনি।


9863149948 / 9362259435 / 7085184590 / 9366095791

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR TWO WHEELER
SPECIAL OFFER FOR
CHRISTMAS & NEW YEAR
> INSURANCE(JPA)
> PRESSURE COOKER
> HELMET



L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SAMUROU NEAR MACHU HALL, THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU, KACHING IRUM LAMDONG, SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7334/4/12-1/2

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 342

**Waterman, CW. - Narraway, James Ephraim**

**NCCA corr, 1903**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.d4 exd4 | 3.Qxd4 Nc6 | 4.Qe3 g6 |
| 5.Bd2 Bg7 | 6.Nc3 d6 | 7.f4 Nf6 | 8.Bc4 O-O |
| 9.O-O-O Na5 | 10.Bd3 Re8 | 11.Nf3 c5 | 12.h3 c4 |
| 13.Be2 b5 | 14.Nxb5 Nxe4 | 15.Bxa5 Qxa5 | 16.Bxc4 Be6 |
| 17.Bxe6 Rxe6 | 18.Nfd4 Ree8 | 19.Rhe1 Rab8 | 20.Nc3 Rxb2 |
| 21.Rd3 Bxd4 | 22.Qxd4... | | |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 341 Ans. :**
34. ...Qb6+ 35. Kh1 Qb1 36. Qe2 Qd1
36. ...Qe4 37. Rxe5 dxe5
37. ...Qxe5 38. Qf2 Rxf2
38. ...Qxd5
38. Kg1 Qxe2
37. Qe3 Rf1+ 38. Qg1 Rxg1+
38. ...Qxe1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com